ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, ওক্টোবর ০৩, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ১৯০শুবা মশীং

# লাইনীং লম্বী ইকায় খুম্নসি

## *ঈরাং থোক্লনবা শীনবশিং লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙউ*

**মীওইবা** মশেলগী মরক্তা হাৎন-শুন্নবা, খৎন-চৈনবা অমসুং নুংশিনদবগী মরূ ঈহুল তম্বসি নুপী-অঙাংগী কা, লৌরি-য়ূম্ফম কা অমসুং লাইনীং লম্বীদা করেম কথায়নরকপা অসিনি হায়না লৌবা য়াই। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদা নুপী-অঙাংগী কা হায়বসি পুৱারীগী তাঙ্কক কয়াদা লাঞ্জাও ফাওবা থোকখিবা লৈখি। লৌরি-য়ূম্ফম কাগী মতাঙদা লাঞ্জাও থোকপদা নত্তনা পাক্তক্লা মী শিবগী থৌদোক থোক্লিবনি। সমুদ্রনা পুমকোয় কোয়শিল্লগা লৈবা অপীকপা ঈথৎ অমখক্কী ৱাহৌদা জপান অমসুং চাইনা অনীগী মরক্তা চাউনা উংখৎনরি। ফোকলেন্দ হায়বা অপীকপা ঈথৎ অমগী ৱাহৌদা ইংলেন্দনা লুপা ক্রোর কয়াগী শেনফম থাদদুনা লান্দাখিবগী থৌদোক থোকখি। মণিপুরদসু ঙমখৈ অমদি অপুনবগী শক্তম কায়বা য়ারোই হায়বা ঈহৌদা মীওই ১৮গী পূন্সি কৎখিবগী থৌদোক লৈখি। লৈবাক অমসুং লৈঙাক মুন্নবগী লোয়বা খন্বা নাইদ্রবা লানফম কয়া মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থোক্লি। লোন্না থুপ্না মতিক ময়াই লৈরবা মালেমগী লৈবাক কয়ানা শেঞ্জাও থাদদুনা অমসুং কোক থাদদুনা লানফমশিং অদুদা মখোয়সু য়াওশিনবদগী মালেমদা চরাংনবা ফীভম থোকহনবগী খূদমশিং সিরিয়া অমদি অতৈ লৈবাক খরদা উবা ফংলি। পূম্নমক অসিদগী হেন্না নুংঙাইতবা থৌদোকশিং পনবা তারবদি মীওইবা কাঙলুপনা মানা মানা নীংনরিবা, চৎনরিবা লাইনীং লম্বী অদুবু মখোয় মখোয়না নীংনদে, চৎনদে হায়দুনা হেক্তা করেম কথায়নবিবগী থৌদৌ অসিনি। পূম্নমক অসিনা তাক্লিবদি মীওই ফুরুপ অমনা চৎলিবা লাইনীং লম্বী অদু মখোয়না ফৈ নৎত্রগা পাম্মী হায়দুনা চৎলিবনি। মখোয়গী অপাম্বগী মায়োক্তা অকনবা ৱা হায়বসি খৎনবা হৌবগা চপ মান্নে। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদা মণিপুরদা রামান্দি লাইনীং চৎহন্নবা হোৎনবদা নিংথৌনা মীওই কয়া হাৎখি। মখূৎতা লান্মী, ৱায়েল থৌদা অমসুং ৱায়েল শঙগী লুরবা মঙম অহুম অসি পায়রগা লৈরিবা নিংথৌনা মতম অদুদদি তৌগে হায়বতা তৌবা ঙম্মী। মহাক্কী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা মীওই ফুরুপ অমনা লেপ্পা ঙম্বা নত্তে। অদুবু মশাগী ঈদা-তোংদা য়াওজরল্লবা লাইনীং অদুবু থাদোকউ য়াদে হায়বগীদমক নিংথৌনা তমথিরবা চৈরাকশিংগী মনুঙদা ঙবোং খাওদা নল্লগা মীতৈ কয়া হাৎখিবগী থৌদোক ৱাথোকশিং লৈরিবনি। চীঙদা খুন্দারিবা চীঙমীশিংসু মতম অমদদি মখোয় মখোয়গী তোঙানবা নাৎ, চৎনবী কয়ামরুম লৈরম্মী। হায়রিবা চৎনবীশিং অদু মীশিং য়ামদবা ফুরুপ ওইবগী মথক্তা চোয়না-চোয়না খুন্দানবনা বৃটিশকী খৃষ্টান লাইনীংবশিংনা ইরাই লায়না মখোয়গী থম্মোয় খুদুম চনশিল্লগা খৃষ্টান লাইনীং শন্দোরকখিবগী ৱারী লৈ।

ঐখোয়গী লৈবাক ইন্দিয়া/ভারত হায়বসি অপীকপা মালেম অমগুম্বনি। মীওই বিলিয়ন ১.৩ রোম খুন্দাবা, তোঙান-তোঙানবা লোল ঙাংবা, তোঙান-তোঙানবা লাইনিং-লাইশোল লৈজবা, শক-চু মান্নদবা অমসুং ফিজেৎ-চাকচা খেন্নবা কয়া অসিনা পূল্লবা তুংদা ইন্দিয়া হায়রিবা লৈবাক অসি ওইরিবনি। লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসননা লাইনিং খূদিংমক চপ মান্ননা ইকায় খুম্নবা, মীওই অমগা মীওই অমগগী মরক্তা খেন্নবা লৈহন্দবা অমসুং নুপী অঙাংশিংবু তুহৎপীদনা মীওই অমগী মনিং তম্বগী ফংফম থোকপশিং ফংহন্নবা হোৎনবনা মালেম্না কল্লক্করবা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমা ওইরি। অদুমকপু মীওইবা হায়বা অসি অমগা-অমগা শক মান্নদবগুম ৱাখল্লোনদসু খেন্নবা কয়ামরুম লৈতবদি নত্তে। খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং অদু ঐখোয়গী ফজরবা কন্সটিট্যুসননা হাইদোক-হাইজিন য়াহন্দনা অকোয়বা অমগী ফীবান্নুংদা লৈহনবদগী ঙসি ফাওবা মনা-মনিল নাইনদনা ঈংনা-চিক্লা পানবা লৈবাক অমা ওইরি। মসিমক হায়দুনসু অহেনবা মতিক ময়াই পায়ননবা হোৎনবদা মাগী-মাগী লাইনিং-লাইশোল, কলচর অমসুং চৎনবীশিং য়োকখৎননবা হোৎনরকপা য়াওদে হায়বা য়ারোই। মখোয়গুম্বা পূকচেল খোইবা, শেংদবা মীওই কয়ানা মতিক ময়াই হেনগৎননবগীদমক মীখলগী মতমদা মীয়াম্বু লান্না লমজিংলকই। খ্বাইদগী হেন্না তমথীবা অমা হায়বা তারগদি লাইনিং লম্বেলদা পুশিন্দুনা মীখলদা মায় পাক্লনবা হোৎনরকপা অসিনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা কাঙলোন কয়া শেমদুনা অসিগুম্বা থৌওং চথুবশিং থিংননবা হোৎনজরগসু পান্বে লৈতবদগী খরা উশিন্না, খরা উশিন্নদা তৌরগা চৎখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি য়ামখৎলক্লবা মতমদা লৈবাক অসিদা তংদু লৈতাদবা ফীভম লাক্কদ্রা হায়বগী মীপাইবা লৈরকই। ইন্দিয়াগী ইলেক্সন অসি ফনমক ফজে হায়জরগসু মীখলগী মতমদদি ওইদ-পাদবা, নৎতবা তৌবা মীওই কয়া থোরকই। মখোয়না লাইনিং লম্বেলদা মীৎয়েং চঙবা ঙল্লগদি লম্বেল অসিবু থাজবা মীওই লাখ কয়া মখোয়গী মায়কৈদা লেপকনি হায়না লৌরিবা ৱাখল্লোন অসিনা ইন্দিয়াবু অনেম্বা থাক্তা চিংথহল্লি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কন্ননবা, মপানগী শাফুনা হুমদুনা পুখিবা য়াদনবা অমসুং ঐখোয় মশেল নুংশি-চান্ননা লৈননবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্বেদি লাইনিং লম্বী খূদিংমক চপ মান্ননা ইকায় খুম্নবা উৎসি। লাইনিং লম্বীগী খূদোংচাবা লৌরগা কান্নবা ফংগনি খল্লিবা তমথীরবা য়েক্লবশিং অদুগী মথক্তা লৈঙাক্লা অকনবা মীৎয়েং চঙউ। ঐখোয়গী অপূনবগী শক্তম অমসুং চাউখৎপা হায়বসিনা পূম্ন মক্কী মাংজিল থানা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বা পাউজেল অসি পীজনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## মণিপুর ইন্দিয়াগী মনিনি হায়বসি খঙবীগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**এম য়ু** ইন্দিয়াগী মমিং চৎলবা য়ুনিভর্সিটিশিংগী মনুংদা অমনি। ষ্টেটসিগী আর্ট এন্দ কলচর অমদি স্পোর্টসনা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর মালেমদা মশক তাক্লিবনি। এম য়ুদা ৱাথোক থোকহন্দুনা সেন্তরদা লৈরিবা লৈঙাক অসিনা মণিপুর মচানা মালেমদা ফাওরিবা অসি নমথনবা হোৎনরিবরা হায়বসি খন্থনীংঙাই ওই। চীংগী ইচিন ইনাওশিংনা এম য়ু অসি চীংদা ওইনা থম্বীরো হায়রক্লিবা অসি সেন্তর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা ইকায়নীংঙাইনি। মহৈগী লোইশঙদা সেন্তরনা পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্ট পীবা মানবা মওং অমা ওইনা চথুখিবা অসি মণিপুর মীয়ামগী লাইবক থীবনি। সেমি গভর্ণমেন্ট, ওটোনোমস বোদি, অন্দর টেক্কিংগুম্বদা, পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্ট পীবদি সেন্তর অমদি ষ্টেটকী পোলিসিনি। পোলিটিকেল এপোইন্টমেন্ট পীবসি মতম খরগী তুংদা অয়াম্বনা ঈরাং থোক্কল্লি। ইন্দিয়া অসি মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী চাউবা লৈবাকনি হায়নরিবনি। পান্দে ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবনি। অদুনা গভর্ণমেন্টকী চৎন-কাঙলোন খঙবীরমগনি। থা অহুমলোম ঈরাং থোক্তুনা লৈবা এম য়ু অসি নত্তনা মালেমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা অমত্তা লৈরল্লোই। সেন্তর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌওং অসি মণিপুরগী হিষ্টোরিদা লৈহৌরগনি।

ষ্টেটসিদা অনৌবা য়ুনিভর্সিটি অনী স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমদি কলচরেল য়ুনিভর্সিটি অসিদা এম য়ুগী ৱাথোক অসিগুম্না থোক্তনবা মণিপুর মীয়াম্না সেন্তর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্তা খঙহনবা মথৌ তাই। এম য়ু হিংহনসি, শিথহল্লোইসি। মণিপুরগী পোলিসি মেকিং বোদিশিংনা এম য়ু ফগৎহনবীয়ু। বন্দ ব্লোকেদনা লৈঙাক্কী শেনফম মাঙলিবনি হায়বসি লৈঙাক্লা খঙবীফম থোকই। মণিপুর ইন্দিয়াগী মনিনি হায়বসি পাল্লিবা লৈঙাক্লা খঙবীগনি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী, তোপ অৱাং লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮১

১। মণিপুরগী পুৱারীদা সেপ্টেম্বর ৩০ অসিদি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরগনি, মণিপুর মতম ঈশৈ নুমিৎ হায়না। মসি ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অমদা ইহান হান্না মৈতৈলোনগী ঈশৈ শকখিবা নুমিৎ অদুদগী পারকপনি।
(ক) ইহান হান্না শান্নখিবা মণিপুরী দ্রামা অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) ইহান হান্না শান্নখিবা অদু কুমজা কয়াদনো?

২। "চৎলু অতোন : ফৌরুংবা কাদুনা কাকয়েল মীঙম্বগী মরূম লোক্লুচো, ইচীল ইনাও চাসি।" ৱাফম অসি অইবা অশাংবম মীনকেতনগী ৱারেং অমদগী লৌথোকপনি। ৱারেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ৱানথখরে হৌজিক্তি পৃথিবী/চৈনাখোল খাঙবা ঙমদ্রদুনা।" পরেংশিং অসিনা 'অশিবা অহিং' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। লানলুম্বা কবি হায়নসু খঙনবা শৈরেংসিগী অইবদু কনানো?

৪। "করিগীদমক য়ূম হোংগদৌরিবনো? ... ঐহাক মীনি, নুপীনি, অদুগা মপূনি।" ৱাফম অসিনা লৈমহন কৌবী অমনা মাগী নুপাদা হায়রিবনি। 'ৱাকৎ' কৌবা ৱারীমচা অদুদা। অইবীদু কনানো?

৫। গোপীনাথ মোহন্টিগী ওরিয়া উপন্যাস, 'দাদীবুধা' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দাকলোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# য়েরুম লান - য়েক্লা লান

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

**মথায়-থায়না** ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ইপূ তোমালনা হায়বা অমা লৈ। ঙা হায়বসি চানবা চিঞ্জাকনি। অদুবু ঙা হাৎপা, শা-য়েন হাৎপসিদি তৌহৈদে, পাপ পুই। মতমদুদা ঐখোয়না খল্লি পাপ হায়সিবু কৈনো? পাপ পুরগা কৈদৌগে, পুদ্রগনা করি তোংজগে? মসি খঙনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চঙখি। মমৈথংদা খঙই, খঙলিসিসু লাল্লম্বা য়াই, অতোপ্পা ৱাহন্থোক লৈরম্বা য়াই, ইশম শম্না হায়রবদা ফত্তবা থবক তৌবগী মহয়নি হায়বদি ফত্তবা থবক তৌরুবদি ইশাদা মদুগা চপ মান্নবা চৈথেং অমদি চৈনা ফংই হায়বনি। শা-ঙা হাৎকনু পাপ পুনি হায়বা ইপু তোমালদো ঙাদগীদি য়েন্না হেন্না পামখি। য়েন্দি হেন্দোক্তুনা য়েরূম তল হৌবদু য়াম্না চাই, এঞ্জাং হাওতে হায়না য়েঙ্গৌন্দা চঙলগা মচা কোন্নবা থম্বা য়েরূম অহুম মরি লৌথোক্লগা থুগাইরগা তল হৌরগা সিট নানখৈ চাথোকই। অদুদি য়েরূম থুগাইরিবদুদি পাপ পুরোইদ্রা? য়েরূমদুনা য়েনাও ওল্লক্কদৌরিনি, অদুদগী মপি ফারক্কদৌরিবনি। মরূম অমুক কোক্লক্কদৌরিনি। য়েরূম অমগী তাইবঙসি য়াম্না শাংই। মদু থুগাইবা হায়সিসু পাপ শোয়দনা পুফম থোকই। অদুবু অমুক ইনে থরোনদি কৈসু কায়দে, চানবা চিঞ্জাকনি পাপ লৈতে হায়। অনীসি কাইদনো অমা ইয়েৎ য়েৎনবদৌনা ঐগী ৱাখলদা ফাওখিবনি। ইপূ তোমালদি হেক শিরমদাই ফাওবা য়েন অতাওবা চিক চিক্তুনা চাখি। ঙা উকাবীগদি চাকখুন্মাংদা পোপ পোপ থোম্মগা হাৎলগা, মকু গেরে-গেরে খেৎলগা থাওদা জি-জি তাওরগা কোকথোং অমা চাখি। পাপকী মরমদা য়াম্না ৱা হায়বা ইপূগী থম্মোয়দু অঙকপনি হায়না হৌজিক খল্লকএ। অদুবু হন্দক খঙই। য়েরূম থুগাইবা হায়বসি পাপনি হায়বসিদি নোংমা নোংমগী সুম চুমশিল্লক্লে। হৌজিক্তি য়েরুম থুগাইবসি খুদক খুদক্তা পাপ ফংনরে। শাউনীংই ৱারৌই হায়দুনা য়েরূম্না থোম্বগী মহুত্তা খামেন অশিনবনা থোম্লবদি থোইদোক্লা খুদক্তা পাপ ফংলমদবা য়াই, য়েরূম্না লংলগা থুগাইরুবদগী হন্দক মী কয়া অমা পাপ খুদক্তা ফংনরে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংনা পেনমন্দবনা হেল্লকপদগী ওইরম্বা য়াই, নৌনা শাফোংলকপা অচৌবা ওইগে লাকপা অমদা য়েরূম্না লংলুই হায়বদগী অতৈ মরম ময়াম অমা পুশিল্লগা গাড়ীগী মিংশেলদা ওইরমগদ্রা য়েরূম্না থোম্মগা গাড়ীগী মিংশেল থুগাইরুবসু নত্তবা য়েরূম কায়হল্লুই হায়বগী মতাংদা এফ আই আর পানবা য়াওনখ্রে। অদুদৈ অমুক কনাদনো মদুবু,....ও থাংমৈবন্দা হায়বা ওইরমাল্লে, ফক্লাংদা নপ্পা ফোটোশিংদা য়েরূম লংশিল্লুই হায়বদগী এফ আর আরগা পান্দুনা কোয়থি থিনবা য়াওরি হায়বা পাউ অমা হন্দক ফোঙনরকপা থেংনরে। য়েরূম লংবা য়াদে, থুগাইবা য়াদে হায়বা খঙনা খঙনা কৈদৌবৈ লংঙুরিনো খঙদে, খামেন অশিনবা ওইনা লংলম্লদি এফ আই আর য়ৌরমদবসু য়াবনি। অদুবু লংনীংবনা ওইরমগনি লংলুরে, হৌজিক্তি করি শারে। তপ-তাখৈ ফরক তানরেদোসে। হৌজিক্তদা ইপূ তোমালনা হায়খিবদুগী ৱাহন্থোক খঙলক্লে। য়েরুম লংবা মাঙহনবা হায়বসি জিব হাৎপগা মান্নে, জিব হাৎপা হায়বসি অমরোমদা আইনগী মীৎয়েংদা য়েংলবদি ক্রিমিনেলনি। ক্রিমিনেল হায়বসিদি খুন্নাই মীয়াম মরক্তা থাদোক্লগা লৈবা য়াবা নত্তে, অদুনা অতৈ অতৈদসু অশোয় অঙম থোক্ত্রিঙৈদা ফাজিন পূনশিন্নবা হোৎনবা হায়বসিদি তৌদা য়াদবা থবক অমনি। সিগী ৱাখল্লোনসিদা য়েংলগা ওইরক্লিবা ফীভমসি লায় হায়সু ঙমদে, চুম্মী হায়সু ঙমদে। মত পীবা য়াদে।

ঐখোয় মীওইবা হায়বসি মনীং মখা য়াম্না তৌগল্লি। মদু ইশাগী হকনি, থোইনা কায়দে, ঐনা খনবা ৱাখলবু লাল্লি হায়বা ঙম্বসিবু কনা লৈফম থোকপগে। ঐনা চুম্মী হায়না খল্লিবা ৱাখল অসিনা থবক ওইনা লোইনা পাঙথোক্লদি মালেম তাইবঙপান অসিদা ঐনা তৌগে খনবদা লোইনা ঙমগনি। ৱাখলগা থবক্তা মান্নদবগী ওইথোক্তবগী ৱানি। করিগুম্বা মান্নরম্বা থোক্লবদি কুম্মৈ তাদৌরিনি। ৱাখল হায়সিদি মনীং তমখ্রজাৎনি। থিংবা ঙম্বজাৎ নত্তে। সাইক্রিয়াটিক্কী অনাবা লৈবা মীনা সুসাইদ তৌদুনা শিরিবসি, মাগীদি অচুম্বনি। মাগী ৱাখলনা খনবদুনা চুম্মী খনবদগী মানা শিরগে হায়না নীংঙিদো অদুম চুম্মীবনি। শিগে হায়না খনবদু মানা লাল্লি হায়না খল্লল্লবদি সুসাইদ তৌরমদবসু য়াই। কনাগুম্বা অশিংবা মীদি মানা খল্লিদুগী মরমদা অতোপ্পদা ৱারী শারগা কম্মেন্ট লৌই। কম্মেন্ট অদুগী মতুং ইন্না মাগী ফীরেপ অদু হোংদোক হোংজিন তৌনৈ। অদুবু মী খরদদি ঐনা তৌবদু, ঐনা খনবদু হায়না চপ য়ুংনা লেপখিবদগী খোঙফম অমত্তা হন্দনা অখন-অখনবা ৱাখলগী মতুং ইন্না থবক তৌনবসু য়াওই। মদুসু থিংবা য়াবা নত্তে। মরমদি মাগীসু অচুম্বা লৈরি খল্লিবনিনা। য়েরূম লংবা, য়েরূম থুগাইবা য়ানদ্রে।


অশাউবা হায়বসিসু করিগুম্বা মতমদা থিংবা ঙম্বদি নত্তে। মী খুদিংমক শাউবা হায়বসি অদুম শাউনৈ। কা হেন্না শাউবদগী অফ-ফত্ত খঙদবা য়াওই। অদুনবু শাউরিঙৈদা ৱারেপ নৎত্রগা ফীরেপ অমত্তা তৌগনু হায়না অহল লমনশিংনা ঐখোয়দা তম্বীরকই। কা হেন্নবু শাউরবদি শিংনবা অমা য়াওরকই নৎত্রগা লান তৌনীংবা ফাওরকই। ঙম্মী হায়দুনা লান তৌশিল্লুবদা মদুনা হেন্না অকায়বা থোরকপা য়াওদবা নত্তে। সিদি মমাঙঙৈদগী অদুম লৈরক্লবা ৱাফমনি। শাউনীংবা থবকসিদি য়াম্না য়াওখ্রজাৎনি। মী অমগী পুন্সিদা মসিদি য়াম্না তোয়না থোকপা থৌদোকনি। অশাউবা খুদিংগী তৌনীংবতা সুম তৌনা তারদি কুম্মৈ তাননি। নুংশিখ্রবী ঐগা লৈমিন্নরিবী নুপীমক্তফাওবা করিগুম্বা কৈসু লৈতবা ৱাফম অমদগী শাউনীংমন্দনা 'ঙসি ঈ কারক্তনা নঙ শিনিকো' হায়বসি চিন্দা তোয়না হায়বা য়াওই। অদু শাউরিনি হায়দুনা শিনবা হাৎনরবদি কুম্মৈ তাদ্রিব্রো? অদুনা ফনা য়াম্না শাউরসু মী হায়সি লোইনা ফাথনরগা লাকপা ঙাক্তনি। অশাউ খুদিংগী সুম মৈ থানদুনা লৈরদি অহিংবা পোৎ অমফাওবা লৈররোই। লোইনমক তুম্মনি।

অদুনা শাউনরিবা পূম্নমকশিংনা খরা খরা ফাথনদুনা ঈংথনরবদি ৱারী শানবা য়াগদৌরিবনি। মচিন তুমখ্রবা নৎত্রগা থৌখ্রবা থাঙ অমমম য়েপ্পরগা লাউ মরুপ নুংশিনা অমুক্তা কোন্নসি হায়না হায়নরগা কনানা লাক্লগা কোন্নগদৌরিবনো? য়েপ্পরিবা থাঙদু হান্না থাদোক্লবা তাবনি। য়েক্লবা অনী খৎনদুনা লান শোক্লরম্বদগী লান তোক্লরসি হায়না হায়নরকপদা মখূৎতা থাঙ-তা অমত্তা পায়নখিদে। লাপ্পা থম্নরগা মখূৎতা মী শিবা য়াবা অমত্তা য়াওদনা চঙশিন্নরগা কোন্নখিবা ঙাক্তনি। মতাংসিদা কনাগুম্বশিংনা শাউদুনা মুক্লবীবা লৈবীরবদি, শাউনবীরনু, কোন্নবীরো, লৈবাকসি ঈংনা তপ্পা অমুক্তং পানমিন্নসি। লোয়ননা ইশা ইশাগী ইথৌদা পূক্লিং চঙমিন্নদুনা তুংগী অফবা পুন্সিরোল অমা শেমগৎপদা মায় ওনশিল্লসি হায়বা ৱাফমসি পাউজেল ওইনা থজমনীংই।

# ঈ অমসুং হক্কী ঈশিংদা য়াওবা দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোলগী চাং খঙদোকপা

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**



পেরাসিটামোলগী ষ্ট্রকচর দোপামাইনগী ষ্ট্রকচর

**দোপামাইন** হায়বসি ন্যুরোট্রান্সমিটর হায়না খঙনবা কেমিকেল অমনি। মসিনা থোপ্তা য়াওরিবা ন্যুরোন (নর্ভ সেল) শিংগী মরক্তা সিগ্নেল থাদোক-থাজিন তৌবদা মতেং পাংই। ন্যুরোন অমদগী দোপামাইন থাদোরকপা মতমদা, ন্যুরোন অনীগী তাইনফমদা লৈবা সাইনেপসতা তাউদুনা লৈরল্লগা থংনবা ন্যুরোন য়ৌরক্তুনা সিগ্নেলদু থংনবা ন্যুরোন্দা থাখি। অসুক য়াম্না কান্নখ্রবা দোপামাইনসি চাং চানা য়াওদবা তারবদি পার্কিন্সন'স দিজিজগুম্বা অনাবশিং ওইরকপা য়াই। অতোপ্পা অমরোমদা পেরাসিটামোল হায়বসি কোক চিকপা, তোংশাদা নাবা, য়া নাবনচিংবা চিকপা-নাবা ফনবা অমসুং লাইহৌ হন্থনবা হীদাক অমনি। মসি হেঞ্জিন্না চারগদি ফিরাক শোকহল্লি হায়বা ৱাফমসু লৈ। অদুগা অতোপ্পা অমরোমদা ঐখোয়গী হকচাংদা পেরাসিটামোল য়াওবগী চাংসি ক্রিটিকেল ওইবা চাংদগী হেল্লকপা মতমদা নর্ভস সিষ্টেমদা অকায়বা পীরকই। ঐখোয়গী হকচাংদা দোপামাইনগা পেরাসিটামোলগী চাংসি চপ চানা লৈবগী মথৌ তাই। মরমদি মতম কুইনা পেরাসিটামোল শীজিন্নরকপা মতমদা দোপামাইনগী লেভেলদা অকায়বা পীরকই। **অদুনা ঐখোয়গী হকচাংদা কেমিকেল অনীসিগী চাং চানা লৈরিব্রা হায়বসি** খঙদোকপগী মথৌ য়াম্না তারক্লি। মসিগী মরমদা থিজিল্লুবা সাইন্টিষ্টশিংগী পাউদম অমা এ সী এস এপ্লাইদ নানো মেটেরিএলস'তা ফোঙদোক্লকখ্রে। থিজিনবগী থবকসি জৱাহরলাল নেহরু সেন্তর ফোর এদভান্স সাইন্টিফিক রিছার্স (জে এন সী এ এস আর), বেঙ্গালুরুগী থিজিন লূপ অমনা পাঙথোকখিবনি।



জে এন সি এ এস আরগী দাঃ সেবাষ্টিন পিটর (য়েৎ) অমসুং রজামনি

করিগুম্বা পোৎ অমদা য়াওরিবা কেমিকেলশিংসি করি করিনো হায়না খঙদোক্লবগীদমক লেবতা টেষ্ট তৌবগী মথৌ তাই। টেষ্ট তৌনবগী পান্বে ময়াম অমা লৈ। মখোয়গী মনুংদা ইলেক্ট্রোকেমিকেলগী ওইবা পান্বেসিসু অমনি। মসিগী পান্বেসি শীজিন্নরগা জে এন সী এ এস আরগী থিজিল্লোয়শিংনা মী অমগী হকচাংদা য়াওরিবা দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোলগী চাং অরাইবা মওংদা পুথোকপা ঙমখ্রে। মখোয়না দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোলগী চাং ওনবদা শীজিন্নগদৌরিবা ইলেক্ট্রোকেমিকেল সেল অসিদা ইলেক্ট্রোদ অহুম য়াওই। ইলেক্ট্রোদশিংসি অমুক মখোয়না ৱার্কিং ইলেক্ট্রোদ, কাউন্টর ইলেক্ট্রোদ অমসুং রিফরেন্স ইলেক্ট্রোদ হায়না খায়দোকই। ৱার্কিং ইলেক্ট্রোদসি সেরিয়ম ওক্সাইদ অমসুং ক্যুপ্রস ওক্সাইদতা প্লাটিনম দোপ তৌশিল্লগা শেম্বা নানোকম্পোজিৎ মেটরিএল অমনি। কাউন্টর ইলেক্ট্রোদনা প্লাটিনমগী তরা অদুগা রিফরেন্স ইলেক্ট্রোদনা লুপা (সিলভর) অমসুং সিলভর ক্লোরাইদনা শাই।

জে এন সী এ আরগী সাইন্টিষ্টশিংনা নানোকম্পোজিৎকী ইলেক্ট্রোদ শীজিন্নবসিনা কান্নবা কয়ামুক পী হায়রি। ইচম চম্বা ইলেক্ট্রোদ অমা শীজিন্নবা মতমদদি, ইলেক্ট্রোকেমিকেল সেলদা হাপ্তুনা দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোল য়াওবগী চাং য়েংগদৌরিবা পোৎ (এনালাইট) শিং অমসুং অতোপ্পা বাইওমোলিক্যুলশিংগগী মরক্তা পোটেন্সিএল গেপসি য়াম্না নেম্মী। অদুনা থিজিল্লোয়শিংনা ইলেক্ট্রোদতুবু নানোকম্পোজিৎ মেটরিএলশিংনা কুপশিনহল্লিবনি। জে এন সী এ আরগী দাক্তর সেবাষ্টিন সি পিটরনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না শেমদোক-শাদোক্লবা ইলেক্ট্রোদশিংসিগী লৈমাইগী (সরফেস) এরিয়া য়াম্না চাওবা, ওক্সিদেসন রিএক্সন্দগী রিদক্সন রিএক্সন্দা অদুগা রিদক্সন রিএক্সন্দগী অমুক ওক্সিদেসন রিএক্সন্দা ওন্থোক-ওনশিন তৌহনবা য়াবা ইলেক্ট্রোদকী লৈমায়দা ওক্সিজেন্না লায়না চেন্থোক-চেনশিন ঙম্বসিনা হেন্না খুদোংচাহল্লি। মসিগীসু মথক্তা ইলেক্ট্রোদশিংসি হু চেন্দে অমসুং তোঙান-তোঙানবা লমশিংদা শীজিন্নবা য়াই হায়রি।

চহী খরগী মমাঙদগী সেরিয়ম ওক্সাইদ হাপচিল্লবা গ্রাফিন নানোপার্টিকলশিংবু ইলেক্ট্রোদ ওইনা শীজিন্নরক্লি। মসিগী মরুওইবা মরম অমদি সেরিয়ম ওক্সাইদকী ইলেক্ট্রোকেমিকেলগী ওইবা মগুণশিংনা থোকহনবনি। **সেরিয়ম ওক্সাইদকী নানোপার্টিকলশিংগী ওক্সিদেসন ষ্টেট অনী লৈ। অদুনা কেটলিষ্ট ওইনা মথৌ তৌদুনা ইলেক্ট্রোদকী লৈমাইবু শেংনা থম্মী।** মসিনা দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোলগী ওক্সিদেসন থোকহনবদা মতেং পাংই। নানোকম্পোজিৎসিদা প্লাটিনম হাপ্পসিনা হেন্নমুক খুদোংচাহল্লি। মরমদি প্লাটিনমগী ইলেক্ট্রোকেটলাইটিক এক্টিভিটিসি য়াম্না ৱাংই অমদি ইলেক্ট্রিক করেন্ট ফজনা চেলহনবা ঙম্মী। অদুগা ক্যুপ্রস ওক্সাইদসু ইলেক্ট্রোকেটলাইটিক এক্টিভিটি ৱাংবগা লোয়ননা বাইওমোলিক্যুলশিংবু লায়না ওক্সিদেসন থোকহনবা ঙম্মী।

মখোয়গী চাংয়েংসিদা দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোলগী পিক পোটেন্সিএলসি মিলিভোল্ট ১৬০ অমসুং ৩৬০দা থম্মী। দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোলগী কন্সেন্ট্রেসন হেনগৎলকপগা লোয়ননা পিক করেন্টসু হেনগৎলকই হায়না ডা. পিটরনা ফোঙদোক্লি। মখোয়না মখা তানা চাং য়েংবদা, প্লাটিনম হাপচিল্লবা সেরিয়ম ওক্সাইদ অমসুং ক্যুপ্রস ওক্সাইদ শীজিন্নবসিনা সেরিয়ম ওক্সাইদ-গ্রাফিনগী নানোপার্টিকলশিং শীজিন্নবদগী হেন্না কান্নবা ফংই হায়বসু খঙবা ঙমখি।

মথক্তা পনখিবগুম্না, ঐখোয়গী হকচাংদা দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোলগী চাংসি কায়হন্দনা থম্বগী মথৌ তাবনা কনাগুম্বা মী অমগী ঈ অমদি হক্কী ঈশিং (য়ুরিন) দা কেমিকেল অনীসি কয়া য়াম্না য়াওরিবগে হায়না খঙদোকপসি য়াম্নমক মরুওই। মসিগী লমদা থিজিনবগী থবক কয়ামুক পায়খৎনরকখি। অদুবু মায় পাকপগী চাংসি অদুম নেম্না লাকখি। অদুবু হন্দক বেঙ্গালুরুগী জে এন সী এ এস আরগী থিজিল্লোয়শিংনা পুথোরক্লিবা কাঙলোনসিদদি মায় পাকপগী চাং য়াম্না ৱাংলে হায়রি। মসিগী মতেংনা মী অমদা য়াওরিবা দোপামাইন অমসুং পেরাসিটামোলগী চাং খঙদোক্লগা ওইরকপা য়াবা লায়নাশিংদগী ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়না পিটরনা ফোঙদোক্লি।